**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 26-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী ওফিসিয়েলশিংগা ৱারী শান্নরুনবা কোকোমিগী মীওই ৭ না শাবা মীহুৎ কাংবু নিউ দিল্লিদা থুংখ্রে।

২) পাউমীশিংনা তোংবা বসতা মণিপুর থাবা য়ারোই হায়না সেক্যুরিতি ফোর্সনা চখুরকখিবা থৌওং য়ানিংদবা ফোংদোক্কুনা ঙসিসু মফম কয়াদা মখা তানা খোঙজং চংশিন্নখি।

৩) কেন্দ্রগী কোর্পোরেট এফ্যারস, রোড, ত্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজগী রাজ্য মন্ত্রি হর্স মালহোত্রা নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা হয়েং ইম্ফালদা থুংলরগনি।

৪) বেক টু স্কুল কেম্পেইন লেপ্তুনা পাঙথোকরি, ঙসিসু ইম্ফাল ইষ্টকী খারাসোন অমসুং কৈরাওদা পাঙথোকখি।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ওপরেসন সিন্দুর, চুমগী মিলিটরি এক্সন অমখক নত্তে, মসি ভারতকী মতিং অমসুং পুকিং ৱাখল ফোংদোকপনি।

------

কোকোমি (এল)ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী ওফিসিয়েলশিংগা ৱারী শান্নরুনবা কোকোমিগী মীওই ৭ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমা ঙসি নিউ দিল্লিগীদমক

ইম্ফাল থাদোকখ্রে। লুপ অসিগী কনভেনর খুরাইজম অথৌবনা লুচিংখিবা মীওই ৭ না শাবা মীহুৎ কাংবু অদু ঙসি নুংথিল পুং ১ মখায়রোম তাবদা ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী অথৌবনা হায়- গৃহ মন্ত্রালয়গী ওফিসিয়েলশিংগা ৱারী শান্নগদৌরিবা অসি চহি অনি শুরবা মণিপুরগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবা কোকোমিগী অহানবা খোঙথাংনি। মহাকা হায়- মীহুৎ কাংবু অদুনা ৱারী শান্নবা অদুদা চহি অসিগী মে ৩ দা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমা লৌখিবা ৱারেপশিং অদু পুথোক্কনি। খ্বালতাবী থৌদোক্কী মতাংদসু পুখৎকনি হায়খি।

ঙসি খোঙশানখিবা কোকোমিগী মীহুৎ কাংবু অদু নিউ দিল্লিদা থুংখ্রে। মীহুৎ কাংবু অদুগা অকাশবানি ইম্ফালগা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা ৱারী শান্নবদা হায়- কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়গী ওফিসিয়েলশিংগা হয়েং নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা পুংখায় চৎপা অদুৱাইদা কোকোমিগী মীহুৎশিং ৱারী শান্ননবা থৌরাং তৌরি।

খোঙজং (এল)ঃ পাউমীশিংনা তোংবা বসতা মণিপুর থাবা য়ারোই হায়না সেক্যুরিতি ফোর্সনা চথুরকখিবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসিসু মফম কয়ানা মখা তানা খোঙজং চংশিন্নখি।

ইম্ফালগী তিদিম লম্বীগী ক্বাকৈথেল এরিয়াদা মশিং য়াল্লবা মীয়ামা থোরক্তুনা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা খোঙজং চংশিনখি। খোঙজং চংশিল্লিবশিং তানখায়নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনসু টিয়ার গ্যাস কাপখি।

ককচিং বজারদসু মফম অদুগী তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন কয়ানা শিন্দুনা থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম চথুখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা মখোয়গী দাবীশিং য়াওবা প্লেকার্দ কয়া পায়খি। তুংদা, মখোয়না খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোংদসু মণিপুর মথৎপা য়ানিংদে হায়না মফম অদুগী নুপীশিংনা লম্বীদা থোরক্তুনা হ্যুমেন চেন শেমদুনা খোঙজং চংশিনখি।

মীতৈ কাউন্সিল মোরেনসু শিন্দুনা ৱাংজিং কোদোমপোকপী, ৱাংজিং লমদিং হাইস্কুল, উরুপ অমদি লাঙ্গোল গেম ভিলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরকপা মীওইশিংনসু ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চংশিনখি।

থৌবাল জিলাদসু মশিং য়াম্লবা মীয়াম থোরক্তুনা ৱাকৎ খোঙজং চত্থখি। জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মীয়ামা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা লাক্লবা মতুংদা মীওই ৮ না শাবা নুপী মীহুৎ কাংবু অমনা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগা উন্নদ্না মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি।

ভিজিৎ (এল) ঃ কেন্দ্রগী কোর্পোরেট এফ্যারস, রোড, ত্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজগী রাজ্য মন্ত্রি হর্স মালহোত্রা নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা হয়েং ইম্ফালদা থুংলরগনি।

দি.আই.পি.আরনা থোরকপা চেরোল অমদা হায়- মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা শ্রী মালহোত্রানা তমেংলোং জিলাদা চত্তুনা জিলা অদুদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনগনি। মহাকা কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলিবা স্কিমশিং অমদি কোর্পোরেট এফ্যারস অমসুং রোড ত্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজ মন্ত্রালয়শিংগী মখাদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগা প্রোজেক্টশিং নিংথিনা পায়খৎলিব্রা হায়বদুসু য়েংশিনগনি। চেরোল অসিদা মখা তানা হায়- শ্রী মালহোত্রানা মহাক্কী খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা রিপোর্ট অমা শেম্লবা মতুংদা মখা তাবা থবক পায়খৎপীনবা দোনর মন্ত্রালয় অমদি প্রধান মন্ত্রি ওফিসতা পীশিনগনি।

কংগ্রেস (এল) ঃ কংগেসনা চত্থরিবা সংবিধান বচাও যাত্রাগী শরুক অমা ওইনা ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিনা শিন্দুনা জিলা অসিগী মনুং চনবা লমলোং খুল্লেল কম্যুনিনি হোলদা সংবিধান বচাও রেল্লি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্রনা হায়- লৈবাক অসিগী মীয়ামদা সংবিধান্না পীরিবা ফংফম

থোকপা হকশিং নিংথিনা ফংহন্নবগী পান্দমদা যাত্রা অসি পাঙথোকপনি।

মিসন (এল)ঃ লম্লাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ- খোংবানতাবম ইবোমচানা হায়রি- মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী মখাদা শেন্বা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমদি ভি.এল.এফশিংনা বেঙ্কা খুৎশমরগা শেন্থোক হেনগৎহন্নবা হোৎনগদবনি।

ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী তখেল গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈবা খারাসোন প্রাইমারি স্কুলদা পাঙথোকপা বেক টু স্কুল থৌরম অমদা এম.এল.এনা হায়- মীওইবনা থেংনরিবা অৱাবশিংগী মনুংদা শেল থুমগী সমস্য অসিসু য়ামা মরুওইবা অমনি। মরম অদুনা লৈঙাকা পায়খৎলক্লিবা থৌশিল থৌরাংশিংগী কান্নবা নিংথিনা লৌদুনা ঐখোয়না শেন্থোক হেনগৎহন্নবা হোৎনগদবনি।

থৌরম অদুদা তখেল গ্রাম পঞ্চায়টকী এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিগী চেয়ারপার্সন অমসুং তেলৌ-চানা, শৈজাং জিলা পরিষদকী জিলা পরিষদ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

স্কুল (এল) ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী কৈরাও খুনৌদা লৈবা গ্লোবেল স্কুল ওফ হ্যুমেন রিসোর্সেসতা ঙসি বেক টু স্কুল কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে। কেম্পেইন অদু কৈরাও ৱিমেন মল্টি পর্পজ কো-ওপরেতিভ সোসাইটি লিমিতেদ ক্লষ্টর লেভেল ফেদরেসন লংদুমগী মখাদা নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী ভি.এল.এফ কৈরাও বিত্রনা শিনবনি। কেম্পেইন অসিবু মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদস মিসন(এম.এস.আর.এল.এম)না প্রোমোট তৌবনি।

কনকেভ(এল)ঃ নোংমগী ওইবা নোর্থ ইষ্ট ইদ্যুকেতরস কনক্লেভ মণিপুর চেপ্তর ঙসি ইম্ফালদা হৌখ্রে। ইদু ইলিভেট হায়বা মীফম অদু অসাম দাউন তাউন য়ুনিভর্সিতিনা শিনবনি। মসিগী হিরমনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা অখন্ননা মণিপুরদা নেসনেল ইদ্যুকেসন পোলিসি(এন.ঈ.পি)২০২০ চৎনহনবা

হায়বসিনি। থৌরম অদুদা মণিপুরগী সেক্রেটরি ইদ্যুকেসন এন.প্রভিন, কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদ্যুকেসনগী চেয়রমেন টি.ওজিৎ, অসাম দাউন তাউন য়ুনিভর্সিতিগী ফেকলতি মেম্বরশিং অমসুং রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুল কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিতিশিংগী ওজাশিং শরুক য়ারি।

নোনে (এল) ঃ নোনে জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিস কমপ্লেক্সতা অহুন্নক শুবা ওইনা প্লাষ্টিক বোট্টল বেঙ্ক অমা ঙসি থমখ্রে। রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ দাইরেক্তোরেট অমসুং লোংমাই নেচর ক্লবনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিললা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ডাঃ শরতচন্দ্র অরোজ্ অমসুং ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটগী প্রোগ্রাম ওফিসার এস.কে. গাইনাইমৈ শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটকী লমজিং মখাদা ইকো নেটৱার্ক মণিপুর অমসুং হৈরোক পার্ট ৱানদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপকা পুন্না খুৎশমদুনা ঙসি লম্বী শোরোক্তা চাইথোক্ত্না লৈরিবা প্লাষ্টিকশিং খোমজিনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প (এল) ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী তৌবুলদা নুমিৎ ১৫ নি চত্থগদবা দি তোক্সিফিকেসন কেম্প অমা ঙসিদগী হৌখ্রে। কেম্প অদু য়েনিং ফাউন্দেসন মণিপুর অমদি অরাম্বাই তেঙ্গোল বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা ওইনামগী হান্নগী এম.এল.এ- লাইশ্রম রাধাকিশ্বর য়াওনা লোকেল বোদিশিংগী মীহুৎ কয়াসু শরুক য়াখি। কেম্প অসিদা পুন্না মীওই ৩৫ রোম লায়েংনবা পান্দম থল্লি।

এৱার্দ (এল) ঃ রাইটরস ক্লব মণিপুর নম্বোলগী অহুমসুবা, নোংথোম্বম চন্দ্রকালা নিংশিং সাহিত্য মনা ২০২৫ কৈথেল্লাকপম লন্দনদা মহাক্কী ৱারী মচাগী লাইরিক অমনবা হিদা পীখ্রে। মনা অদুদা শেল, সাইতেসন অমসুং স্বাল য়াওরি।

মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদু রোয়েল একাদমি ওফ লো ওইনামদা ঙসি পাঙথোকখি।

সিপিআই (এল) ঃ নোংজ় থা লাকপগা ইরোয়ননা লৌড শিংউগা মরী লৈনবা ঈথৈ লৌখোংশিং নিংথিনা শেমজিনবীনবা মণিপুর লৌমী লুপনা হায়রি। লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- লৌউ শিংউগী থবক তৌদুনা রাজ্য অসিগী মীয়ামগী চান থকবা, ফৌ-চেং অমদি মহৈ-মরোং কয়া পুথোক্লিবা লৌমীশিংগী পুকিং থৌগৎপা ওহনা মখোয়না ঈশিং দরকার লৈরকপা মতমদা মতম চানা পীবা ঙমবা ঈথৈ লৌখোংশিং ফনা থম্বা হায়বসি তঙাইফদবা থবক অমনি। হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিতিনা মীৎয়েং চংবীনবা লুপ অসিনা আপীল তৌরি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ওপরেসন সিন্দুর অসি চুমগী মিলিটরি এক্সন অমখক নত্তে, মসি ভারতকী মতিং অমসুং পুকিং ৱাখল ফোংদোকপনি।

গুজরাতকী দাহোদতা রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়- ঙসি লৈবাক অসিবু বিক্সিত ভারত ওহহন্নবা ভারতমচা কোতি ১৪০ না অমত্তা ওইনা পুনদুনা চোকথবা লৈতনা হোৎনরি। লৈবাক অসি খুমাং চাওশিনহনবদা চংবা তঙাইফদবা মচাক পুমমক ভারত মনুংদা শাবা হায়বসি হৌজিক মতমগী তঙাইফদবনি। ঙসিদি লৈবাক অসিদা অনৌবা মখলগী গাড়িশিং চেল্লি। মসিগী অচৌবা মরম অমদি লৈবাক অসিদা শেমগৎপা অনৌবা টেকোলোজি অমসুং নহা ওইরিবা ৱার্ক ফোর্সশিংননি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ভারত অসি পোৎ চৈ শাবগী লমদা মাঙলোমদা খুমাং চাওশিন্না চংশিল্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি দাহোদতা লুপা কোতি লিশিং ২৪ রোম চংবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়ামরুম শঙ্গাখি। খরগীনা যাত্রা হুনখি। শ্রী মোদিনা গুজরাত সরকারগী ওইবা রেল অমসুং অতৈ সেক্তরগী প্রোজেক্ট কয়াসু শঙ্গাখি। মদুগী

মনুংদা বেরাবলদগী অহমেদবাদ য়ৌবা বন্দে ভারত এক্সপ্রেস অমসুং বালসরদগী দাহোদ ষ্টেসন য়ৌবা এক্সপ্রেস রেলগাড়ি য়াওরি।

নুমিৎ নিনিগী গুজরাত খোঙচৎতা লৈরিবা প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি ভুজদা লুপা কোতি লিশিং ৫৩,৪০০ রোম চংবা প্রোজেক্ট ৩৩ খরসু শঙ্গাখি, খরনা যাত্রা হুনখি। প্রোজেক্টশিং অসিগী মনুংদা কান্দালা হিথাংফমগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর, সোলার ইনর্জি, পৱার ত্রান্সমিসন অমসুং লম্বী অমদি য়ুম-কৈ শেমগৎপা য়াওরি।

অকাশবানিগী পাউমীনা হায়- ওপরেসন সিন্দুরগী মতুংদা শ্রী মোদিনা ঙমখৈগী জিলা কটচতা চৎপা অসি মসিনা অহানবনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি ওইরকপা ঙসি চহি ১১ মপুং ফারে। ২০১৪ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা শ্রী মোদি ভারতকী প্রধান মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখিবনি। মহাকা থবক পায়বগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা চহি ৩০ চুপা লৈরকপা চুংশিন্নবা রাজনীতিগী চৎনবী অদু লোইশিনহন্দুনা লৈবাক অসিগী অনৌবা রাজনীতিগী ইতিহাসতা অনৌবা মায়ওন অমা পুরক্লে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

টিটি (এল)ঃ মণিপুর টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসন্না শিনবা অহানবা মেগা মণিপুর টেবল টেন্নিস তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা চহি ১১ মখাগী নুপীমচাগী কাংলুপ্তা বিনসি থোকচোমনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

তুরনামেন্ট অসিগী চহি ১১ মখাগী নুপামচাগী কালুপ্তা অথৌবা রাজকুমারনা ৱিন্নর ওইখি। চহি ১৩ মখাগী নুপামচাগী কাংলুপ্তা এমব্রোস নামৈরাকপম, চহি ১৫ মখাগী নুপীমচাগী কাংলুপ্তা অংকিতা শঞ্জেনবম অদুগা চহি ১৫ মখাগী নুপামচাগী কালুপ্তা পুরনাচন্দ্র য়েংখোমনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ফূটবোল(এল)ঃ দষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন-বিষ্ণুপুরনা শিনদুনা বিষ্ণুপুরগী

মিণি ষ্টেদিয়মদা চখৌরিবা ১৮ শুবা এন. বালানন্দা সিংহ মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন অন্দর ১৭ ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা তাইদানা য়ুনাইতেদ ফুটবোল ক্লব বিষ্ণুপুরবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুথ সোসিয়েল ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন অমসুং রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তর পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ ৬৪ শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ইন্তরনেসনেল সুব্রোতো মুখর্জি অন্দর ফিফতিন বোইজ তুরনামেন্ট ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পি.আর ইংলিস স্কুলনা মার্তিন গ্রামার স্কুলবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা-ককচিং মোদেল হাইস্কুলনা গ্রিন গ্রাউন্দ একাদমি ৱাংঙুবু পাঞ্জল ২-১ দা, এ.দি.এল ইংলিস স্কুলনা সনাতোম্বী হাইস্কুল কৈরকপু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ সুব্রোতো মুখর্জি অন্দর ফিফতিন বোইজ তুরনামেন্ট চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মহা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা সেন্ট পোল হাইস্কুলবু পাঞ্জল ৫-৩ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা সেন্ট পিটর হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা এ.সি.আইবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা সেকেন্দ প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ থা অসিগী ২৮ দগী লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা হৌরগনি।

অমরোমদা, ১৫ শুবা সেনিয়র ৱিমেন ফুটবোল লিগ ২০২৪-২৫ থা অসিগা ৩০ দগী তাকয়েল সাই গ্রাউন্দদা হৌরগনি।

------